# সংসার অসিদা মথন্তা হিংগে খনবদি খ্বাইদগী পঙবা জীব অমনি

## ‘লৈখমথোই’

সুর মৈতৈ

সমাজ অসিদা লৈরিবা থব্রায় পানবা জিব খুদিংমক নাইতোম হিংবা য়াবা নত্তে, অদুবু খ্বাইদগী ব্রাখল লৈবনি হায়রিবা মীওইবা কাংলুপ অসিদা মীওই খরদি সমাজ অসিদা নাইতোম হিংবসু য়াররোইদবা লম্বেল অদুদা চৎনবা



হোৎনরি হায়বা অসি য়াম্লমক থম্মোয় শোক্লিংঙাইহিনি। সংসার অসিদা মথন্তা হিংগে খল্লিবা মখোয় অদু খ্বাইদগী পংবা জিব মখল অমনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। পুন্সিনা ঐখোয়বু শান্ননিংবা মওংদা শান্নবনি। ঐখোয়না পুন্সিবু শান্ননিংবা মওংদা শান্নগে হোৎনরুরবদি তুংদা নিঙমদবা কয়া থোক্ললোই হায়নিঙাই লৈতে হায়না মণিপুরী ফিল্ম ‘লৈখমথোই’ না মীয়ামদা পাউদমলি।

টি ভি টেন প্রদক্সনগী বেনর মখাদা তোঙান তোঙানবা ফিল্ম তরুক মায় পাক্লা পুথোকখ্রবা মতুং তরেৎলক শুবা ওইনা খেরোদাগী খুদোল অমদা টি ঐচ লৈশাংনা প্রদ্যুসর ওইদুনা নৌনা পুথোক্লিবা ‘লৈখমথোই’ হায়রিবা ফিল্ম অসিগী দিরেক্টরনা তেজ ক্ষেত্রিনি। ষ্টোরি, স্ক্রিন প্লে অমদি দাইলোগতা কে এস ঐচ সুভানি, ইডিটিংদা বলি, কেমেরাদা সঞ্জিৎ, কোস্ত্যুমদা মেম্মী, গোসাই অমদি গ্যানেননি। অদুগা শৈশকপশিংনা নাওবোই, সুস্মীতা অমদি পুস্পারানিনি।



ফিল্ম অসিদা থম্মোয়দি দং দং চোংলি, থাজসু থোক্লি অমসুং নুংশি নুংওলদা বেজ তৌবা মিনিৎ ৫ শাংবা খুৎলং ঈশৈ পুন্না ঈশৈ অহুম য়াওরি।

চৎলিবা থা অসিগী তাং ৬ নিংথৌকাবা নুমিৎতা জে এন মণিপুর দান্স একাদেমি হোলদা অচম্বা থৌরম অমগা লোয়ননা উৎখ্রবা ফিল্ম ‘লৈখমথোই’ হায়রিবা ফিল্ম অসিদা শক্তম লাংখিবা আর্টিষ্টশিংদি সুস্মিতা (নিংথিবী), ময়াচৌধুরি (লৈখমথোই), গোকুল (ইবোহল অমদি নিংথেম), রতন লাই (মুক্তা), এল রতন (এস আই চিংলেন), জোসেফ (মেরা), নন্দকুমার (ডাঃ চিঙ্খো), শ্যামকুমার, শ্যামধনি, ইন্দু অমদি ললিতাবীনচিংবনি।

সমাজ অসিদা অচুম্বনা করিনো, অরানবনা করিনো হায়দুনা মীয়ামদা খঙহন্নবা হোৎনরিবশিংগী মনুংদা মণিপুরী ফিল্মসু অমা ওইরি। হৌজিক ফাওবা পুথোকখ্রবা মণিপুর ফিল্মশিংনা লমদম অসিগী ঙল্লিনৈ মতমদগী লৈরক্লবা তাংলবা শক্তম কয়াবু কন্নবা হোৎনবদা চাওরবা থৌদাং কয়া লৌদুনা লাক্লি হায়বসি ককনিংঙাই লৈত্রবা অচুম্বা ব্রাফম অমা ওইরি। পনবা য়াবদি ফিল্ম অসিদা য়াওরিবা মিনিট ৫ শাংবা খুৎলং ঈশৈ অসি ফিল্ম অসিগী মথেল অমা ওইবতা নত্তনা মতম অসিগী ইনখৎলক্লিবা নহাশিংনা খুৎলং ঈশৈ হায়বসি করিনো হায়বা খঙনরক্তবা কয়াবু নৌহৌননা খঙহনবা হোৎনবগী শরুক অমসু ওইরি।

লৈখমথোইগী শমলপ্পা ব্রারীদি লৈখমথোই কশার নিঙোলনি। মহাক্কীনি হায়বদা মণিপুরগী খুঙ্গং অমদা ময়ুম পান্দুনা লৈখ্রবা মনে নত্তনা কনাসু লৈতে। মনে অদুসু মহাক্কীনি হায়বদা লৈখমথোই নত্তনা কনাসু লৈতে, লৈখমথোই মনেগী মনাক্তা লাক্কুনা লৈখি। লৈখমথোইগী মাম্মনা হিংলিঙৈ ইম্ফালদা লম লৈদুনা অচৌবা য়ুম অমা শাখি। য়ুম অদুবু শঙনবা থমখিবা মপুকচেল পীকপা মীওই অদুনা লৈখমথোইগী মাম্মা লৈখিদ্রবা মতুং হিঙ্গোল অদু মহাক্কী মিংদা ওনশিন্দুনা লৌখ্রবা মতুং খুঙ্গংদা লৈবা লম অদুসু কল্লক্কুনা মখোয়গী ওইনবা হোৎনরকপা মতমদা মীফৎত্রবা অদুগী মচানুপা মুক্তানা লৈখমথোইগী মনে অদু হাৎখি। লৈখমথোইগী মনেনা হিংলিঙৈ মনুং লৈখমথোই অমদি লৈকাই অদুদা চম্না হিংজবা ইবোহলগা য়ুম্বাল পুন্সিদা খোঙদাখি। লৈখমথোইগী মনে শীখ্রবা মতুং মীফত্তশিং অদুনা লম্বু কল্লকপনা মখা তানা মখোয়গী খুজিল থৌরাং কয়াদা ইবোহলসু শিখি। এস আই চিংলেননা মীফত্তশিং অদুগী মায়কৈদা লৈবা মীওইনি। মহাক্কী মথক থোংবা ওফিসার অমনা অচুম অরানগীদমক নিয়ম চুম্না থবক তৌরকপা কয়া অমসু ফিল্ম অসিদা উবা ফংলি। মতাং অসিদা পুলিসশিংগী মনুংদা অচুম্বা পাম্বা অমদি পুলিসতি ওইরগা ব্রাহম্থোক খঙদবা অনীগী খেৎনবা কয়াবুসু ফিল্ম অসিদা উৎথোক্লি।



ইবোহলনা লৈখিদ্রবা মতুং লৈখমতোন মতোমতনা সমাজ অদুদা নুপী অমনি হায়বগী অকিবা লৈতনা মচাবু চাওনবা অমদি মী ওইহন্নবা হোৎনরকপদা ভেন থৌদুনা অব্রাবা কয়া মায়োক্ল রকখি।



মতমগী খোঙচৎ কনানসু খাম্বা ঙমদবনা লৈখমথোইগী মচানুপা নিংথেম ডাক্তর ওইরবা মতুং ডাঃ নিংথিবীগা য়ুম্বানবগী পুন্সিদা খোঙদামিন্নরকখি। নিংথিবী মপা খক্তনা য়াম্না লুনা য়োক্লকপনা য়ুম পানবগী চৎনবী নীংথিনা খঙদে। অহেনবা ফজবা হায়বা অসিনা মহাক্কী পুন্সি ওইখি। মহাক্কী অনীংবা অপাম্বা অদুনা পুন্সিবু শান্ননিংবা মওংদা শান্নগে খনবা মীওই অমা ওইবনা য়ুম্বাল লম্বীদা খুরৌ কয়া ওইরকখি। চুম্মী হায়দুনা চৎলিবা নীংথিবীগী লম্বী অদু মশানা লাল্লি হায়না খঙজরকপা মীৎকুপ্তুদি পুন্সিনা ঐখোয়বু শান্ননিংবা মওংদা শান্নবনি, মখোয়না পুন্সিবু শান্নগে খল্লুবা ওইথোক্তবনি। অব্রাফমদা তাবা নত্তনা অতৈ অতোপ্পা লম্বী লৈতে হায়বা খঙজরক্তুনা নিঙল্লক্তবা কয়া থেংনরকখি। মরালগী মতুং ইন্না ঙাকপীফম থোক্ত্রবসু মীওইবগী অথোইবা গুনদি ঙাকপীহৈবা হায়বা অসিনি হায়বা অসি ফিল্ম অসিগী অরোইবা তাঙ্কক্তা পুকচেল চাওবী লৈখমথোইনা মমৌনুপীবু ঙাকপীখিবা অসিনা মীয়ামদা নৌহৌননা পাউজেল অমা পীনবা হোৎনরি।



















Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma,** RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*